ইথিওপিয়া গভর্নমেন্ট ফোর্সনা দেসি অমসুং কোমবোলচা টাউন খুদুম চনবা ঙমখ্রে

অদিস অবাবা, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়া গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা রেবেল গ্রুপ অসিনা হান্না কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরম্বা দেসি অমসুং কোমবোলচা টাউন অনী গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা খুদুম চনবা ঙমখ্রে হায়না ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা গভর্নমেন্ট কম্যুনিকেসন সেন্টরনা ফোঙদোকখিবদা, থা অমরোমগী মমাংদা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা রেবেল গ্রুপশিংনা অমহারা রিজনদা লৈবা টাউন অনী অসি কন্ট্রোল তৌখিবনি। টাউনশিং অসি কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী কোনুং অদিস অবাবা তম্না চংশিন্নবা হোৎনরকখিবনি। রেবেল গ্রুপশিংনা লৈবাক অসিগী কোনুংদা মীৎয়েং থম্বা হৌরকখ্রবা মতুং অদিস অবাবাদা লৈরিবা মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎশম্নরগা থবক তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদ মশানা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা চৎমিন্নদুনা রেবেল গ্রুপ অসিগী মথক্তা অকনবা কাউন্টর এটেকশিং চখবা হৌখিবনি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা অমুক হন্না রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌরম্বা টাউনশিং খুদুম চনবা ঙমখিবা অসি চাওথোকচনিঙাইনি। মখা তানা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা মফম গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা খুদুম চন্দুনা রেবেল গ্রুপ অসি লৈবাক অসিদগী মপুঙ ফানা তকথোকখিনবা পান্দম থল্লি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিদা থাজবা থমদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চাওনা মতেং পীরকপদগী মায় পাকপা ঙমখিবনি। মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা মখা তানা রেবেল গ্রুপ অসিগী মথক্তা কাউন্টর ষ্ট্রাইক কয়া চখখিগনি। লৈবাক অসিদা রেবেল গ্রুপ অসিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া হাৎখ্রে। মখোয়গী মথক্তা চপ চানা লমন খুমগনি হায়রি।

অফঘান নুপীশিং মহৈ তমহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবা মলালানা য়ু এসতা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

কুমজা ২০১২ দা পাকিস্টানি টালিবানননা হাৎনবা হোৎনরম্বদগী লাইবক ফদুনা হিংহৌরবা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা লেমজনিঙাই ওইরবা নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবী মলালা য়ুসুফজাইনা অফঘান নুপীশিংনা মহৈ মশিং তম্বা ফংহন্নবা হোৎনবদা য়ু এসনা অঙম্বা মতেং পাংনবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ রোম শুরবী নুপী এক্টিভিষ্ট অসিনা ঙসি য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকনগা উন্নদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। হৌজিক হৌজিক অফঘান ফিমেল এক্টিভিষ্টশিংগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লিবা মলালানা এন্টোনি ব্লিনকনদা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা নুপীশিংবু মহৈ তমহন্দনা থল্লিবা লৈবাক অসি অফঘানিষ্টান খক্তনি। মসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি।

লৈবাক অসিগী নুপীশিংনসু মালেমগী ফজবা শক্তমশিং উবা পাল্লি। অদুবু অফঘানিষ্টানদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদি য়াম্না মওং মরিল তাদবা হায়বদু ওইরি। নুপীশিংনা লৱার ক্লাসশিংদা মহৈ তম্বা লোয়রবা মতুং সেকেন্দরি থাক য়ৌনা মহৈ তম্বদি য়াদ্রি। নুপীশিংনা মপান থোক্তুনা থবক তৌবদসু অথিংবা কয়া থল্লি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপীশিংবু নুপাগী থবক শুনবা অমদি অঙাং শেন্নহন্নবা ওইনা থল্লি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা নুপা নুপী রাইট মান্নে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ঙসিফাওবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপীশিং মনিং তম্বা ফংদ্রি।

ঈংনা তপ্না লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংবু এদ্যুকেসনগী মঙাল মতিক চানা ফংহনবা মথৌ তাই। নুপীশিংবু নমথদুনা থল্লবদি অফঘানিষ্টানদা কৈদৌনুংদা ঈং তপ্পা পুরকপা ঙল্লোই। মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি য়ু এসনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মলালানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংনা বেক তৌবা লৈঙাক অদুবু টালবানননা মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখ্রবা মতুং নুপাশিংগী ওইনদি অমুক হন্না হান্নগুম স্কুলশিং হাংদোক্তুনা মহৈ তম্বা হৌখ্রে। অদুবু নুপীশিংদি স্কুল চৎপদা অথিংবা থমখিবদগী মখা তানা মহৈ মশিং তম্বা ফংদনা লাকখিবনি।

য়ু এসনা মতম পুম্বদা য়ু এনদা থাজবা থম্মী

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

মালেমদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা মতম কয়াগী মমাংদগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পায়খত্তুনা লাক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি শিংথানিঙাইনি অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হান্নদগী হৌনা য়ুনাইটেদ নেসন্সপু থাজদুনা লাক্লি, মখা তানসু থাজখিগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু য়োর্কতা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি সেসন হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবা য়ু এনগী মকোক থোংবা এন্টোনিও গুটেরেসতা জো বাইদেননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মালেম পুম্বদা চৈথেং পীরিবা কোভিদ-১৯ অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা য়ু এননা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজিকসু কোভিদ-১৯ না মালেমগী লৈবাক কয়াদা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরি। লায়না লায়চৎ অসিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈ। ইকনমিগী ফিভম কা হেন্না ফবা লৈবাকশিংনা শোখনা লৈরিবা লৈবাকশিংদা মতেং পাংনবগীদমক য়ু এননা হৌদোরকখিবা ৱাফম অদু থাগৎনিঙাইনি। লৈবাক অমখক্তা লায়না লায়চৎ অসি কন্ট্রোল তৌরগা মায় পাক্লে হায়বা য়ারোই। থুনা য়াংনা শন্দোক্লনবা লায়না লায়চৎ মখল অমা ওইবনা মালেম পুম্বদগী মপুং ফানা মুখৎত্রিবা ফাওবা মায় পাকপা ঙল্লোই।

য়ু এসকী মায়কৈদগীসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমদি কোভিদ পেসেন্ট ট্রিটমেন্ট চখবদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং অতোপ্পা লৈবাক্তা মতেং পাংবগী থবক চখরি। অমরোমদা ক্লাইমেট চেঞ্জকী ওইনসু কার্বোন ইন্মিসনগী মতাংদা য়ু এসকী মরী লৈনবশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্নরি। কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা কার্বোন ইন্মিসনগী চাং অসি চাদা ৫০ হন্থহন্নবা পান্দম থল্লি। য়ু এননা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা য়ু এসনা মতম পুম্বদা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না বাইদেননা মখা তাখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাকশিংনসু হিরমশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী তঙায়ফদবা লৈ হায়রি।

বংলাদেশ পি এমনা মহাক্কী মিনিষ্টর অমা রিজাইন তৌনবা খঙহনখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

নুপীশিংগী মায়োক্তা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নখি হায়বগী মরালদা বংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনানা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টর অমা মফমদগী রিজাইন তৌনবা খঙহনখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী রুলিং পার্টি অৱামী লীগকী মকোক থোংবা অমনা ফোঙদোরক্লি।

অৱামী লীগকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা রোদ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওবাইদুল কাদেরনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট মিনিষ্টর ওফ ইনফোর্মেসন মূরাদ হসনবু মফমদগী হয়েংফাওবগী মনুংদা পোথানবা খঙহনখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর মশানা ৱাফম অসি হসনদা খঙহন্নবা মঙোন্দা শিন্নরকখিবনি। হসনদা মরাল কয়া শিরক্লিবা অসি মহাক মশাগী পর্সনেল মেটরনি। মসি পার্টিগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়রি।

হসননা সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা লৈবাক অদুগী ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা বংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টিগী চীফ তরিক রহমনগী মচানুপী অমসুং লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খালেদা জিয়াগী মশুনুপীগী মতাংদা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শিজিন্নখিবগীদমক মফম থাদোক্লবা খঙহনখিবনি। হসন মমাং মতমদসু লৈবাক অদুগী নুপী এক্ট্রেস অমগী মতাংদা ফজদবা ৱাহৈ ফোঙদোক্লুবগী ৱাথোক্তা চেন্নরিবা মীওই অমনি। মহাক লৈবনা পার্টি অসিগী মশক থিনবা অচৌবা মরম অমা ওইরে হায়রি।

য়ুক্রেনদা অহেনবা থবকশিং চখরক্লবদি রসিয়াগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকপা য়াই

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন ঙমখৈ শরুকশিংদা অকনবা মওংদা উংখনিরিঙৈ মরক অসিদা রসিয়ানা অহেনবা ট্রুপস কয়া চয়েৎনরিবা মফমশিংদা থাজিল্লকখ্রে হায়না য়ুক্রেননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং করিগুম্বা রসিয়ানা য়ুক্রেনবু নম্ফুদা লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি মোস্কোগী মথক্তা ৱাশিংটননা ইকনমিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং য়াওনা অথিংবা কয়া থমজিল্লকপা য়াই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জো বাইদেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগা য়ুক্রেনগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নখিবা অদুদা রসিয়াগী মায়কৈদগীদি য়ুক্রেননা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা রসিয়ানা চয়েৎনরিবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌবগী ৱাফম লৈতে।

হৌজিক হৌজিক ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা রসিয়ান ট্রুপশিং অসিদি হান্নদগী হৌনা মফম অদুদা মথৌ তৌদুনা লাকখিবশিংনি। মফম অসিদা লৈরিবা ট্রুপশিং অসি রসিয়ানা অমুক হন্না লৌথোকপগী ৱাফম লৈতে। মরমদি লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী য়েংলগা ট্রুপশিং অসি দিপ্লোই তৌখিবনি। মফম অসিদা লৈরিবা ট্রুপশিং য়ুক্রেননা লৌথোক্লবা হায়রকখিবা ৱাফম রসিয়ানা য়াবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোরকখি।

ভ্লাদিমির পুটিনগী ৱাফমশিং অদু য়াম্না কুপ্না নৈনরবা মতুং চয়েৎনরিবা ঙমখৈগী শরুক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চখদনবা ৱাশিংটননা খঙহনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা রসিয়ানা য়ুক্রেনবু নম্ফুদা লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি রসিয়াদা ইকনমিগী ওইবা অচৌবা চৈথেং অমা লাকপা য়াই হায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা মোস্কোগী মথক্তা অথিংবশিং থমজিল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

ইজরেলনা মিসাইল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চখরকখি

সমাসকস, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

ঙসি অয়ুক নোংঙাল্লমদাই মতমদা ইজরেলি ফাইটর জেটশিংনা সিরিয়াগী লটাকিয়া পোর্ট মনাক্তা মিসাইল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চখরকখি। অদুবু লাইবক ফবদগী এটেক অদুদা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন অমত্তা থোকখিদে হায়না সিরিয়ান মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইজরেলি ফাইটর জেটশিংনা মিসাইল কাপশিনবা হৌরকখ্রবা মতুং খুদক্তা লৈবাক অদুগী এন্টি মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম এক্টিভেট তৌখিবগা লোয়ননা ফাইটর জেটশিং অদু ঙমখৈগী শরুক্তগী মপুঙ ফানা তান্থোকখি। ইজরেলনা চহী কয়াগী মমাংদগী সিরিয়াদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া লেপ্পা লৈতনা চখদুনা লাক্লি।

সিরিয়াগী মায়কৈদগীসু মতম মতমগী ওইনা ইজরেলনা চখরকখিবা এটেকশিং অদুগী পাউখুম পীদুনা লাক্লি। মখা তানসু ইজরেলনা চখরকপা এটেকশিং ঙাকথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরি।

সিরিয়ানা মতম পুম্বদা লান তৌবা পামদে। মসিনা মরম ওইরগা ইজরেলগী মায়কৈদা অহেনবা থবক থৌওংশিং চখদনা লাক্লি। সিরিয়ানা পাল্লবদি ইজরেলবু মায়থিবা পীবা ঙমগনি। অদুবু লান তৌবা মতমদা কা হেন্না অৱা চৈথেং ফংগদৌরিবা অসি মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংনি। মসিগী য়েংলগা সিরিয়ানা লান থোক্তনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা ইজরেল মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবদা, ইরাননা মতেং পাংলিবা লৈবাকশিংদা ইজরেলনা টার্গেট তৌদুনা এটেকশিং মখা তানা চখখিগনি। হৌখিবা ওক্টোবর থাদসু সিরিয়াগী কোনুং দমাসকসতা এটেক চখদুনা প্রো ইরানিয়ন মিলিসিয়া মেন মঙা হাৎখি হায়রি।

হেল্ঠ সেক্টরশিংদা চাওনা অকায়বা পীরকপদগী কুমজা ২০২০ দা মেলেরিয়ানা হান্নদগী মীওই ৬৯,০০০ হেন্না শিহনখি

দকার, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা হেল্ঠ সেক্টরশিংদা চাওনা অকায়বা পীরকপদগী কুমজা ২০২০ দা মেলেরিয়ানা মরম ওইরগা হান্না শিহনখিবা মী মশিংদগী মীওই ৬৯,০০০ হেন্না শিহনখি হায়না ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরক্লি।

ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না, হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা মেলেরিয়ানা মরম ওইরগা পুন্না মীওই ৫,৫৮,০০০ রোম শিহনখি। অদুগা কুমজা ২০২০ গীওইনা লায়না অসিনা পুন্না মীওই ৬,২৭,০০০ রোম শিহনখি। মেলেরিয়ানা মরম ওইরগা শিহনখ্রবা মীওই অয়াম্বা কা হেন্না লাইরবা লৈবাকশিংদগীনি। মরুওইনা অফ্রিকাগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা মেলেরিয়ানা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাং কয়া য়াওনা মী খ্বাইদগী শিহনখিবা রিজন ওইরি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা অফ্রিকা রিজনদা পুন্না মীওই ২,২৪,০০০ রোম শিহনখ্রে। হেল্ঠ সেক্টর অয়াম্বা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ মায়োক য়ানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনখি। মসিনা মরম ওইরগা হান্না লৈরম্বা মেলেরিয়াদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা ঙমখিদবদগী মমাং চহীদা মী শিবগী চাং হেনগৎলকখিবনি। অফ্রিকাদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরকখ্রবা মতুং হেল্ঠ সেক্টরশিংনা মেলেরিয়াদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবা হৌখ্রে। মালেমগী লৈবাকশিংনসু মেলেরিয়াবু মপুঙ ফানা মুখৎনবা হোৎনবগী তঙায়ফদবা লৈরি। মরুওইনা ইকনমিগী ফিভম কা হেন্না শোখনা লৈরিবা লৈবাকশিংদদি হৌজিকসু মেলেরিয়না অকনবা চৈথেং পীবা লেপ্প্রি। মরম অদুনা অফ্রিকাগুম্বা কা হেন্না লাইরবা লৈবাকশিংদা অহেনবা শেন্থুং পীবগী মথৌ তারি।

মালেমগী লুচিংবশিংনসু হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাইফ সেভিং টুলশিং অমদি মরী লৈনবা হিদাক লাংথকশিং মথৌ তাবা লৈবাকশিংদা সপ্লাই তৌনবা হোৎনবগী মতম ওইরে। ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগীসু হিরম অসিগা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি হায়রি।

চাইনাগী সীচুৱানদা য়ুহা হাবদগী মীওই ৩ শিহনখ্রে, কয়ানা শোকহনখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

ঙসি অয়ুক অঙনবদা চাইনাগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা সীচুৱান প্রোভিন্সতা খঙহৌদনা হারকখিবা য়ুহা অমনা মরম ওইরগা মীওই ৩ শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা শোকহনখ্রে হায়না ইমর্জেন্সি রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুঙ ৪.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। লৈমায়দগী কিলোমিটর ১০ রোম লুবা মফম অমদা ইপিসেন্টর ওইরগা হারকখিবা য়ুহা অদু মেগ্নিচুদ ৫.৪ য়ৌখি। য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুদা প্রোভিন্স অদুগী মফম অয়াম্বদা য়াম্না কন্না নিকহনখিবগা লোয়ননা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকখি। বিল্ডিংগী অতেক অকায়না ননশিনবগী থৌদোক্তা মীওই ৩ অদু শিখিবনি। অদুগা কয়া অমনা শোকহনখিবনি হায়রি।

সীচুৱান অর্থক্বেক এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিপ্যুটি চীফ দ্যু বিননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুগী মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না মখা তানা প্রোভিন্স অসিদা অকনবা য়ুহা হারবা য়াবগী খুদমদি ফংদ্রে অদুম ওইনমক ঙসি হাখিবা য়ুহা অসিগী ইফেক্ট ওইনা পুঙ ৪৮ গী মনুংদা অমুক হন্না প্রোভিন্স অসিগী শরুক খরা নীক্লবা য়ানা লৈ।

ঙসিগী থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চখবা হৌখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকায় অতোয় কা হেন্না থোকখ্রবা মফমশিংদা মী কনবা অমদি থিবগী থবক মখা তানা চখরি। য়ুহা অসিনা মরম ওইরগা পৱার লাইন কয়া তৎখিবদগী ইমুং ৬২,০০০ রোমদি খুদক্কী মৈ ফংলরোই। অদুবু অথুবা মতমদা হান্নগুম মৈ ফংহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখায়বদগী শিখিবা মী মশিং ৩৪ শুখ্রে, মখা তানা মী কনবগী থবক চখরি

জকারটা, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

ইন্দোনেসিয়াদা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা মৈগী চীং পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিখিবা অপুনবা মী মশিং ৩৪ শুখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চখরি হায়রি।

নেসনেল দিজাষ্টর এজেন্সিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৩৪ শিহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৭ হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মৈগী চীং পোকখায়বদগী পাইথোরকখিবা অশাবা উৎ মপৈনা কুপশিনখ্রবা মফমশিং কোথোক্তুনা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চখরি। হৌজিক হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অসি শিরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায় এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরক্লি। অদুবু মখোয়গী হকচাংশিং ফংদ্রিবা ফাওবা মী থিবগী থবক লেপখিরোই হায়রি।

মৈগী চীং পোকখায়খিবনা মরম ওইরগা কা হেন্না শোকহনখ্রবা মফমশিংদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুন্না মীওই ৩,৭০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা পুথোরকখ্রে। মৈগী চীং অদুদগী পায়থোরকখিবা অশাবা মচাকশিংনা লম্বীগী নাকলদা খামদুনা লৈবা গাড়ি কয়া অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা য়ুম অমদি বিল্ডিং কয়াসু অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা পোকখায়খিবা মৈগী চীং সেমেরু হৌজিকসু এক্টিব ওইরিবনা মরম ওইরগা অমুক হন্না পোকখায়রক্কদ্রা হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজনরি। থাংজ নুমিত্তা পোকখায়খিবা অদুগা মান্ননা মখা তানা পোকখায়রক্তুবসু চীং অসিগী মতোন থংবা অকুৎপা শরুকশিংদগী মৈ মহী অমদি উৎ মপৈশিং পাইথোরকপদি হৌজিকসু লেপ্প্রি। মসিনা মরম ওইরগা মাউন্ট সেমেরুগী অকোয়বদা মীয়াম্না চত্তনবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা চীং অদুগী কিলোমিটর মঙাগী অকোয়বদা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে হায়রি। অমরোমদা লৈবাক অসিদা হৌজিক মৈগী চীং ১৩০ রোম লৈরি হায়রি।

য়ু এস নেভি জেট অমা কায়খ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :

ট্রেনিংগীদমক ঙরাং অয়ুক পায়খৎখিবা য়ু এস নেভি জেট অমা টেক্সাসকী মনাক নক্লা লৈবা ফোর্ট ৱার্থতা কায়খ্রে। জেট অদুদা তোংখিবা য়ু এস পাইলোট অনীমক রেস্ক্যু তৌখিবগা লোয়ননা ট্রিটমেন্টকী থবক চখবা হৌখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

জেট অদু মপুঙ ফানা কায়দ্রিঙৈগী মাঙওইননা পাইলোট অনী অদু ইজেক্ট তৌবা ঙমহৌবদগী কা হেন্না অশোক অপন নঙখিদবনি। অদুমওইনমক জেট অদুনা লৈমায়দা তাশিন্দুনা কায়বগী থৌদোক অদুনা য়ুম অহুমদি অমাঙ অতা থোকহনখি। লাইবক ফবদগী জেট কায়বগী থৌদোক অদুদা পাইলোট অনী অদু নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে।

য়ু এস নেভেল এয়র ট্রেনিং কম্যান্দনা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং কায়খিবা নেভি টি-৪৫সী গোশ্বাক জেট অসি ট্রেনিংগীদমক মরুওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। মতৌ করম্না জেট অদু কায়খিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙদ্রি। টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

OFFICE OF THE CONTROLLER OF EXAMINATIONS
MANIPUR UNIVERSITY

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated, the 7th December, 2021

NO.MU/9-71/1/2021: In continuation of this office notice of even number dated, the 3rd December 2021, it is hereby notified for information to all concerned that the **fresh entrance examination for admission to Ist Semester B.Ed. Course, 2021** scheduled on 12 December, 2021 at 12.30 p.m to 1.30 p.m has been preponed to **11 December (Saturday), 2021 at 12.30 pm. to 1.30 p.m..** All centres of the above examinations, allotment of seats and the rooms utilised earlier in the last entrance examination will also be used in this test.

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations(i/c)

HL-B/7342/8

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ **ADMISSION OPEN** ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7261/2/11-2/12